# ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট অমদি জুনিয়র ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ লোইশিনখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস):** মণিপুর ষ্টেট বেদমিন্টন এসোসিএশন (এম এস বি এ)না ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি কেম্পস মনাক্তা লৈবা মণিপুর ষ্টেট বেদমিন্টন এসোসিএশনগী ইন্দোর হোলদা চথরক্লিবা য়োনেক্স সনরাইজগী ৪২ রকশুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট অমদি ৬৯ লক শুবা জুনিয়র ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫গী ঙসি লোইশিনখ্রে।



লমদম অসিগী তোঙান তোঙনবা দিষ্ট্রিক্ট ৯দগী লাকপা নুপা অমদি নুপী পুন্না শান্নরোয় ১২৯না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা বোইজ টিম ইভেন্টকীদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএশননা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে। ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএশননা রন্নর্স অপ তাখ্রে।

গার্লস টিম ইভেন্টকী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএশননা চেম্পিয়ন ওইখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএশননা টিম রন্নর্স অপ তাবা ঙমখি।

ঙসি অরোয়বা নুমিৎকী অন্দর-১৯ বোইজগী ফাইনেল মেটচ শান্নখিবদা এস দি বি এগী ক্যোভিও ভেমাইন অমদি বি দি বি এগী রিসব ঙাঙোম অনীগী পুংবানা বি দি বি এগী হেমাম মালেমঙানবা অমদি খ্বাইরাকপগ অমরজিৎকী পুংবাবু ষ্ট্রেট সেট ২-০দা মায়থীবা পীরল্লগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

অমরোমদা, ঙসি পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ লোইশিবগী থৌরম অদুদা শিংজমৈ এ সীগী এম এল এ ৱাই খেমচান্দ, থোংজু এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর ষ্টেট বেদমিন্টন এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ বিশ্বজিৎ, নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এম এল এ এস কেবি অমদি কুম্বী এ সীগী এম এল এ এস প্রেমচন্দ্রনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী মীথুংলেন ওইখিবশিংনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা কেস প্রাইজ, মেদল, সার্টিফিকেট অমদি ত্রোফি খুৎশীন্নদুনা পুক্নিং থৌগৎখিবগা লোয়ননা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা শান্ন-খোৎনবদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা ময়ায় কাবা চীঙ্গাক্তগী লাপথোক্লা লৈনবা পাউতাক কয়াসু পীরমখি।

# বেদমিন্টন এসিয়া জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা টনভি অমসুং ভেনালানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে

**চেন্নাই, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):** বেদমিন্টন এসিয়ান জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী তোঙান তোঙানবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা ইন্দিয়াগী টনভি শর্মা অমসুং ভেনোলা কলাগোটলা অনীমক মায়থীবা নঙহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদলদা লৈহৌখ্রে।





ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্ভু ওইদুনা চথরকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী টনভি অমসুং ভেনালানা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখিবা অসি লৈবাক অসিগী ওইনদি চাওথোকচনিংঙাইনি। মরমদি চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা মমাঙদা ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী ওইনা মেদল অমত্তা লৌবা ঙমখিদ্রি। মখোয় অনীনা মেদল অনী লৌবা ঙমখিবা অসিনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনদি অনৌবা পুৱারী অমা শেম্বা ঙমখ্রে।

ঙসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী ভেনোলা অমসুং চাইনাগী সী য়া লিয়ুগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। মদুদা সি য়ানা ভেনোলাবু মিনট ৩৭তা ষ্ট্রেট সেট ২১-১৫, ২১-১৮দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা জুনিয়র ৱর্ল্ড নম্বর ৱান টনভি অমদি চাইনাগী য়িন য়ি কিংগা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। অদুমওইনমক ১৮শুবা মফমদা লৈরিবা চাইনিজ সটলর অসিনা টনভিবু ষ্ট্রেট সেট ২১-১৩, ২১-১৪দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

# সিনিয়র মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপ হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস):** খোঙহাম্পাৎ ময়ায় লৈকায় য়ুথ পাইওনিয়র ক্লব (কে ৱাই পি সী)না শীন্দুনা খোঙহাম্পাৎ ময়ায় লৈকায় প্লেগ্রাউন্দদা ঙসিদগী হৌরগা ৭২ রক শুবা সিনিয়র মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ হৌদোকখ্রে।



ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা লমশাং এ সীগী এম এল এ সোরোকখাইবম রাজেননা অথোয়বা মীথুংলেন, খোঙহাম্পাৎ গ্রাম পঞ্চায়টকী হান্নগী প্রধান য়েঙ্খোম মুহিন্দ্রোনা থৌরম মপু অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী হান্নগী অধক্ষ য়ুম্নাম দসুমতি, মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট এ জিতেন, সোসল ৱার্কর থৌদাম দেৱান অমসুং কে ৱাই পি সীগী এদভাইজর তখেল্লম্বম অমুসনানা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি অথোয়বা মীথুংলেন ওইখিবা লমশাং এ সীগী এম এল এ সোরোকখাইবম রাজেননা ফোর্মেল ওইনা কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপ অদু হৌদোকখি। অদুবু নোং-চিংগী ফীভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা ঙসি মেটচশিং শান্নখিদে। হয়েং অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবদগী হৌরগা লেমহৌরিবা মেটচশিং শান্নরগনি।

অমরোমদা, অথোয়বা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ রাজেননা হায় শান্নবা হায়বসি খুন্নাই অমগী ওইনদি য়াম্না মথৌ তাই। অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা মশা মউ ফবা, থকশি-খাশি নাইবা নহাশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই। অফবা শান্নরোয় অমা ওইরবদি হায়রিবা মরুওইবশিং অসি য়াওবনা মরম ওইরগা অফবা খুন্নাই অমা শেম্নবা হোৎনবদা শান্নরোয়শিংগী থৌদাং চাওই হায়খি।

# চঙাঙ্গৈদা চথরকখিবা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট লোইশিনখ্রে





**ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস):** আর কে বেদমিন্টন এসোসিএশন চঙাঙ্গৈনা শীন্দুনা চঙাঙ্গৈ অৱাং লৈকায়দা লৈবা আর কে ফিটনেস এন্দ ৱেলঠনেশ সেন্টরদা চথরকখিবা এসোসিএশন অসিগী অহানবা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ঙসি লোইশিনখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রিটয়ার্দ প্রোফেসর ৱাঙ্খেম নবকুমারনা অথোয়বা মীথুংলেন, আর কে ফোরচ্যুন দিভলপর্স প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টর আর কে রামেশ্বরনা থৌরম মপু অদুগা চঙাঙ্গৈ গ্রাম পঞ্চায়টকী হান্নগী জীলা পরিষদ মোইরাংথেম পারিসনা, থার্দ আই আর বিগী রিটয়ার্দ দিপ্যুটি কম্যান্দেন্ট সাপম ইবোচৌ, ইম্ফাল ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টকী দিপ্যুটি জেনরেল মেনেজর টেক্নিকেল ৱাহেংবম রনবির, লেফটিনেন্ট কর্নেল শৌগ্রাকপম জিতেশ্বর অমসুং শীজা হোস্পিটালগী ঈ এন টিগী স্পেসিএলিষ্ট ডা. মোইরাংথেম নিটেশ্বরনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি লোইশিনবা নুমিৎকী থৌরমগা মরী লৈননা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মীথুংলেন ওইখিবশিংনা কেস প্রাইজ অমদি ত্রোফি অমদি মেমোন্টো খুৎশীন্নদুনা পুক্নিং থৌগৎখিবগা লোয়ননা মখা তানা কন্না হোৎনদুনা লমদমসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙম্নবা য়াইফ থৌজালসু পীখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1546**

**Adam Kozak (2577) - David Navara (2671)**
**FIDE World Rapid Team London ENG, 2025.06.13**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.Nc3 Bb4 | 4.e3 O-O | 5.Bd3 d5 |
| 6.a3 Bxc3+ | 7.bxc3 dxc4 | 8.Bxc4 c5 | 9.Ne2 Qc7 | 10.Ba2 Rd8 |
| 11.O-O b6 | 12.Ng3 Ba6 | 13.Re1 Nc6 | 14.Bb2 Na5 | 15.e4 Bc4 |
| 16.Bxc4 Nxc4 | 17.Bc1 cxd4 | 18.cxd4 Qd7 | 19.e5 Nd5 | 20.Bg5 Rf8 |
| 21.Nh5 Kh8 | 22.Qd3 b5 | 23.Re4 f5 | 24.exf6 gxf6 | 25.Bh6 Rg8 |
| 26.Rae1 Rg6 | 27.Bc1 Rag8 | 28.g3 f5 | 29.R4e2 h6 | 30.Qf3 Kh7 |
| 31.Bf4 Qf7 | 32.h3 a6 | 33.Kh2 Rd8 | 34.Be5 Rg5 | 35.Nf4 Nxf4 |
| 36.Bxf4 Rg6 | 37.d5 Rxd5 | 38.Rxe6 Rxe6 | 39.Qxd5 Rf6 | 40.Qd8 Re6 |
| 41.Rd1 Re8 | 42.Qd4 Qe6 | 43.Qc5 Kg6 | 44.h4 Rc8 | 45.Qa7 Re8 |
| 46.h5+ Kxh5 | 47.Qg7 Re7 | 48. ... | | |

**QUESTION :** **White to checkmate**

**Puzzle 1545 Solution :**

**37. Qxf6 Qg2+ 38.Kc1**

*38.Kb3 Qd5+ 39.Bc4 Qd1+ 40.Rc2 Ba4+ 41.Kxa4 Qxc2+*

*38.Kb1 Qh1+ 39.Kc2 Qd5The black queen forks White's rook and bishop. 40.Kc1 Qxd3*

**38. ...Qh1+ 39. Kc2 Qd5** *The black queen forks White's rook and bishop.* **40. Kc1 Qxd3**

**0-1**






Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com